এক্সন লৌখৎপীয়ু : কাউন্সীল্লর

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) :

লমশাং নগর পঞ্চায়টকী ইলেক্সননগী নোমিনেসনগী অরোইবা মতম ঙসি নুংথিল পুং ১ দগী ৩ ফাওবা ওইখিবদু এস দি ও লাক্তবনা মরম ওইরগা লমশাংগী এস দি ওগী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌবীয়ু হায়না লমশাং নগর পঞ্চায়টকী কোংগ্রেস পার্টিগী কাউন্সীল্লর কয়ানা ফোঙদোরক্লি।

দি সী লম্ফেলপাৎকী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা এস দি ও ওফিসতা কাউন্সীল্লর কয়ানা ঈরাং তৌখি। ৱার্দ নম্বর ১ গী ৱাই নিলমনি, ৱার্দ নম্বর ২ গী মুতুম থাদোই, ৱার্দ নম্বর ৬ কী তবিথা পানমৈ, ৱার্দ নম্বর ৪গী সী ঐচ মধুমঙ্গোল অমসুং ৱার্দ নম্বর ৫ গী লৈশাংথেম অশোকুমারনা পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, থা অসিগী ৭ তা থোকপা নোটিফিকেসনদা নোমিনেসনগী অরোইবা মতম ঙসি নুংথিল পুং ১দগী ৩ ফাওবা পীখি। হয়েং ইলেক্সন পাঙথোক্কদবনি। অদুবু এস দি ও উননবা অমদি নোমিনেসন পীশিনবা ঙাইদুনা লৈবদা লাক্ত্রে। মসিনা অৱাবা পীরে। কোন্নথংদা নুমীৎ হুম্নীগী ছুটি লৌখ্রে হায়রকই। হয়েং ইলেক্সন তৌগদবনি। য়ৈথোকপগী নোটিশ অমত্তা থোকপা নত্তে। ইলেক্তেদ পার্সনশিংবু উশিৎতবা থৌওংনি। লমশাং নগর পঞ্চায়টকী এস দি ও দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়খি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) :

ৰূপমহল ঠিএটর লিংখৎলকপা মতমদগী হৌনা ঠিএটর অসিগা শাগোন্নদুনা লাক্লবী, ঠিএটর অসিনা কুমজা ১৯৯৭ তা ফেলিসিটেসন তৌখ্রবী অমদি কুমজা ২০০৮ দা মৈত্রম বীর এৱার্দ লান্থোকখ্রবী চনম্বম ওংবী নোংমাইথেম নিংঙোল বিমোলা (বিমোলা অচৌবী) না থা অসিগী ৬ তা মপুগী খুয়া তানখিবদা ঠিএটর অসিগী অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অমা থা অসিগী ৯ দা পাঙথোকখ্রে হায়না ঠিএটর অসিগী সেক্রেটরি ঐচ অচৌবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈখিদ্রবীনা মণিপুরী ঠিএটরগীদমক তৌবীরম্বা কয়াবু শিংথাবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না ঈশ্বরগী খুয়াখাদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মপোক নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ককচিং, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):

ককচিংগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা ময়াংলম্বম ওমোর ককচিং পাজি লৈকায়গী চহি ১০০ শুরকপগী মপোক নুমিৎ থৌরম ঙরাং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মামচীং খুলেন পাজি লৈকায়দা লৈবা নরসিংহ মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

ময়াংলম্বম ওমোর কুমজা ১৯২০গী নবেম্বর ২৩, হিয়াঙ্গৈগী ১২নি পানবদা লৈখিদ্রবা ময়াংলম্বম তৌলচৌ অমসুং ময়াংলম্বম ওংবী তোয়াইমা অনিগী মচানুপা ওইনা তাইবংপান্দা খোঙদারকখি। অহল অসিনা ককচিং খুলগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা মীওই অমা ওইনা মশাগী চহি ১০০ শুরকপদা সিনিয়র সিটিজন ককচিং, তোঙান-তোঙানবা লুপশিং অমদি ইমুং মনুংগী মীওই কয়ানা মহাকপু য়াইফ মঙ্গোল পীবগা লোয়ননা পুন্সি নুংশাংনা হিংনবা তাইবং শেন্বীবা মপুগী মফমদা পুন্সি থৌনিমিন্নখি।

সিনিয়র সিটিজন ককচিং, লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিং অমদি মীওই কয়ানা অহল অদুগী মফমদা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায়খুম্নবা অমদি পূক্লিং থৌগৎপসু উৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদু ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপার্সন নাওরেম শান্তিকুমারনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখি।

GAS NEWS
IMPHAL LPG SERVICE
Valid Unclaimed Receipt Holder
StK -50
19 Kg.Commercial Available
5 kg Available
(First Come First Serve)
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.30am Onwards
Home Delivery Available
GBD,LAMLONG
Booking Upto: 09/10/2019
Valid From: 03/10/2019
Stk : 612 (CTC Only)
Timing: 07.00 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

জেলদগী থাদোরকপগী লন্বীদা হাৎখিবা বিনোয়গী কেস অতোপ্পা কোর্ট অমদা ট্রান্সফর তৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস):

হৌখিবা কুমজা ২০০৬কী নবেম্বর ১৩গী নুংথিলদা শজিৱা জেলদগী থাদোরক্লগা ময়ূমদা হল্লকপগী লন্বীদা খূৎ-থোক্লবনি হায়দুনা ইম্ফাল ৱেস্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা কৈরেনফাবী ময়াই লৈকাইদগী নিংথৌজম বিনোয় এলিয়স খাইবা এলিয়স কেনেদিগী ক্রিমিনেল ত্রাইয়েল কেস সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতগী অতোপ্পা কম্পিটেন্ট কোর্ট অমদা ট্রান্সফর তৌনবা ওর্দর পীখ্রে।

ঙসি সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্ট মাইবম মনোজকুমারগী কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অমদা কেস অসিগী ৱায়েলগী থবক অতোপ্পা কম্পিটেন্ট কোর্ট অমদা ট্রান্সফর তৌনবা খঙহনখিবনি।

ওর্দর অদুনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা এন বিনোয় এলিয়স খাইবা এলিয়স কেনেদিবু হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা কোর্ট অসিগী প্রেসাইদিং ওফিসর অসিনা মমাং থক্তা ইনক্কারি চথখিবনা মহাক্লা কেস অসিগী ৱায়েল চথবদা অচুম্বা ওইরোই হায়বদগী অতোপ্পা কম্পিটেন্ট কোর্ট অমদা ট্রান্সফর তৌনবা থবক লৌখৎলকপনি হায়খি। মসিগীদমক অয়াবা লৌনবগীদমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা হায়জরগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

প্রেসাইদিং ওফিসর অসিনা সেসন্স জজ, মণিপুর ইষ্ট ওইরিঙৈদা থৌদোকসিগী মতাংদা হৌখিবা কুমজা ২০০৯দা মতম অদুগী গৌহাটি হায় কোর্ট (ইম্ফাল বেঞ্চ)তা রিট পিটিসন (ক্রিমিনেল) নম্বর ২৫ ওফ ২০০৯ ফাইল তৌরকখিবনি। কেস অসিগী ৱায়েলগী মতুং ইন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনক্কারি তৌননবা খঙহল্লকখিবদগী মসিবু পাঙথোক্লগা রিপোর্টনা কুমজা ২০১২গী এপ্রিল ১৩দা পীখৎখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক্তুগী মতাংদা কম্মান্দো পর্সনেলশিং অদুনা রিপোর্ট তৌরকপদগী লল্লাই পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর- ১২৯ (১১) ২০০৬ অন্দর সেক্সন- ৩৮৪/৩৫৩/৫১১ আই পি সী অমসুং ২০ যু এ (পি) এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

অদুবু ঈভফম অমসুং ঐচ আর এনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎখিবদা থৌদোক অসিগী কেসসু য়াওবদগী কোর্ট অসিনা পীরকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না থৌদোকসিগী মতাংদা সী বি আইনা কেস এফ আই আর নম্বর- আর সী/দি এস টি/ ২০১৮/ এস/ ০০৩১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুগা মসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথরগা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা চার্জশীট থাগৎলকখিবনি। চার্জশীট অসিগী মতুংইন্না কেস অসিগী এক্যুজশিংগী মথক্তা কোর্ট অসিনা কোগনাইজেন্স লৌরগা কেস অসি ক্রিমিনেল ত্রাইয়ল কোর্ট অসিদা ৱায়েল চথনবগীদমক কম্মিট তৌরকখিবনি।

ঙসিগী কোর্ট অসিগী ওর্দর অসিদা কেস অসি ট্রান্সফর তৌনবগী অয়াবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদগী ঙাইরিঙৈদা কোর্ট অসিদা কেস অসি মথং থাগী ১১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবসু খঙহনখি।

কোর্টকী ওর্দর অসি লাউথোকপা মতমদা কেস অসিগী এক্যুজশিংনি হায়দুনা সী বি আইনা মসিগী চার্জশীট থাগৎলকপদা য়াওখিবা কম্মান্দো পর্সনেলশিং খুন্দোংময়ুম ইনাওবী, থৌনাওজম হেরোজিৎ অমসুং লোংজম চিংখেহুনবা মৈতৈসু কোর্ট রূমদা লৈখি।

স্পিকরশিংনা মীচঙ মীখায় নাইদবা মওংদা থবক তৌবা ঙমদ্রে : সুপ্রীম কোর্ট

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :

স্পিকরশিংনা কনষ্টিট্যুসন ঙাক্লা মীচঙ-মীখায় নাইদবা মওংদা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদবগী চৎনবী অমা উবা ফংলে হায়না সুপ্রীম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

জষ্টিস এন ভি রমানা, জষ্টিস সঞ্জিব খানা অমসুং জষ্টিস কৃষ্ণ মুরারিগী বেঞ্চ অমনা হায়খি, স্পিকর অমা ওইবা তারবদি পার্টিগী ৱাখল্লোন থাদোক্লগা মীচঙ-মীখায় নাইদবা মওংদা মথৌ পাঙথোক্কদবনি। হাউসকী প্রোসিদিং কন্দক্ট তৌবদা পোলিটিকেল পার্টিগী ৱাখল্লোন পুম্নমক থাদোকপগা লোয়ননা কনষ্টিট্যুসন ঙাক্লা চৎপা তঙাইফদে। করিগুম্বা মীচঙ-মীখায় নাইদবা মওংদা থবক তৌবা ঙমদ্রবদি স্পিকরগী ফম পায়বদা মতিক চাদে হায়না লৌফম থোকই।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা হৌজিক স্পিকরশিংনা কনষ্টিট্যুসন ঙাক্লা চৎপগী মওং উবা ফংদ্রে হায়না পল্লদুনা সুপ্রীম কোর্টনা হায়খি, স্পিকরনা মীচঙ-মীখায় নাইবা থৌওং চথবগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু হাউসকী মেম্বর লৈনবা থৌওং চথরকপা মরম্না মীয়ামদা মরা চেৎপা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা ফংহনবা ঙমদ্রে। পুম্নমক অসিগী য়েংলগা পার্লিয়ামেন্টনা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী টেন্থ সেদ্যুল মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না জজ অহুমগী বেঞ্চনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসপু রাইট টু ইনফোর্মসন (আর টি আই) এক্টকী মনুং চনগদবনি হায়না এপেক্স কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অমনা ৱায়েল অসি পীখিবনি। সুপ্রীম কোর্টকী সেক্রেটরি জেনরেলনা দিল্লি হায় কোর্ট অমসুং সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী য়াথং শীংনরদুনা কুমজা ২০১০ দা ফাইল তৌরকখিবা আপিল পিটিসন অমগী ৱায়েলদা কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চতা য়াওরিবা অতৈ জজশিংদি জষ্টিস এন ভি রমানা, জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ, জষ্টিস দিপক গুপ্তা অমসুং জষ্টিস সঞ্জিব খানানি।

লফুদগী চে, মখল কয়াগী পোৎলমশিং পুথোক্লে : এম এস খাইদেম

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএন এস) : লফুদগী ফাইবর লৌথোক্তুনা চে অমদি মখল কয়াগী পোথোক পুথোকপা য়ারে হায়না মণিপুর স্মোল ফার্মর এগ্রি বিজিনেস কন্সোর্টিয়মগী প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর এম এস খাইদেমনা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনোরিটি এফ্যেরসকী মখাদা মণিপুর স্মোল ফার্মর এগ্রি বিজিনেস কন্সোর্টিয়ম অমদি অপলিফ্ট পিপল ট্রষ্ট, হৈঙাং ময়াই লৈকায়না শীন্দুনা ঙসি হৈঙাংদা পাঙথোকখিবা বনানা সেদোষ্টেম ফাইবর এক্সট্রেসন এন্দ ভেল্যু এদিসন প্রোজেক্ট হৌদোকপগী থৌরমদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এস খাইদেমনা হায়খি, মণিপুরদা ফংলিবা লফু মখলশিং অসি ফাইবর য়াম্না নীংথিনা থোকপা অমদি অকুপ্পা মখলগী ফাইবর ওইবা চেনচিংবা পুথোকপদা য়াম্না ক্কালিটি লৈবা ওই। লফুদগী ফাইবর লৌথোক্লগা চে অমদি মখল কয়াগী কান্নরবা পোৎলম পুথোকপা য়াই। মসি হৈঙাং ময়াই লৈকায়দা প্রোজেক্ট অসি হৌদোকপগা লোয়ননা সেন্টর অমসু হাংদোক্লে। মসিদা লফুদগী ফাইবর লৌথোক্লগা চেনচিংবা কয়া পুথোকপা য়ারগনি। ফাইবর লৌথোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা লফুগী শরুকশিং অদু বার্মি কম্পোজ শেন্বদা য়াম্না কান্নবা ওই। ওর্গানিক ফ্রটিলাইজর পুথোকপা য়াই। অসিগুম্বা হিরম কয়াদা কান্নরবা থবক অসি পায়খৎতুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবা য়াগনি। লফুগী মনুং থংবা ময়োল অসিসু পিকল শাবদা শীজিন্নবা য়াই। লফুনা হিরম কয়াদা কান্নবা পোথোক কয়া পুথোকপা য়াই। লফোই হেকখ্রবা মতুংদা অরেম্বদা মাঙদুনা লৈগদবা লফুশিং অসি অফবা হিরমদা শীজিন্নবা য়ারে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর লালতানপুই ভানচোংনা হায়খি, লফু থাবগী কান্নবসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। কেচমেন্ট এরিয়াশিংদা লফু থাবনা ঈশিং নীংথিনা থম্নবা হোৎনবদা য়াম্না অচৌবা মতেং পাংই। লফুদগী লফোইগী পোথোক পুথোকপগা লোয়ননা অরেম্বদা মাঙখিগদবা লফুশিং অসিনা চে পুথোকপা য়ারে। হৌজিক্কী মতমদা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নদনবা খোঙথাং অমসু লাক্লি। প্লাষ্টিক্কী মহুৎ শীন্নবা হোৎনবদা চেগী খাওনচিংবা পুথোকপা য়াম্না মরুওই। অসিগুম্বা কান্নরবা প্রোজেক্ট অসি নীংথিনা পায়খৎতুনা মীওই কয়া থবক পীবতা নত্তনা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদসু মতেং ওইগনি। মণিপুরগী মফম কয়াদা লফু হৌই। লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লফু থাবগী চাং হেনগৎহনবগা লোয়ননা লফোইগী পোথোক হেনগৎহনবা অমদি লফুদগী ফাইবর লৌথোক্তুনা চে শাবা য়াগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হৈঙাং বি জে পি মহিলা মোর্চাগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু বোরমনিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। বি জে পি হৈঙাং মন্দলগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ জিলানা প্রসিদেন্ট ওইখি। হৈঙাং জি পিগী প্রধান কে জয়ন্তসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

‘ইম্ফালদগী মন্দলেগী ফ্লাইট সর্ভিস হৌরগনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফালদগী মন্দলে ফাওবগী ফ্লাইট সর্ভিস থা অসিগী ২৩দগী চার্টর (নন-সেদ্যুল) ওইনা সর্ভিস হৌরগনি হায়না কে বি ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর পি কুঞ্জবিহারিনা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা ফোঙদোরক্লি।

মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ইম্ফালদগী মন্দলেগী ফ্লাইট সর্ভিস হৌগদৌরিবা অসি লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমদি টুরিজম দিপার্টমেন্টনা সপোর্ট তৌবিরকপনা ঙম্বনি। লোয়ননা মণিপুরগী মীয়াম্নসু ইম্ফালদগী মন্দলে ফাওবগী চৎথগদৌরিবা ফ্লাইট সর্ভিস অসিদা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মহাক্লা হায়, ইম্ফালদগী মন্দলে ফাওবগী ফ্লাইটকী টিকেটকী মমল লুপা ১৪,০০০ ওইগনি। মতুং তারকপদা মায়পাক্লা সর্ভিস অসি চৎথরক্লবদি টিকেটকী মমল অসি হোংদোরকপসু য়াই। হৌজিক্কী ওইনা ফ্লাইট সর্ভিস অসি চার্টর ওইনা পাইগদৌরিবনিনা য়াম্না তঙাইফদবা চাংদা মমল অসি থমখিবনি। মন্দলে এয়রপোর্টতগী চাইনা, থাইলেন্দ, বেঙ্কোক অমদি সিঙ্গাপুরনচিংবা চৎনবগী কনেক্টিং ফ্লাইট ফঙবা ঙম্লগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। ইম্ফাল এয়রপোর্ট অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৩গী নবেম্বর ২১দা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট ওনখিবনি অদুবু ঙসি ফাওবদা ইন্টরনেসনেলগী ওইবা ফ্লাইট সর্ভিস লৈখিবা হায়বদু ওইদ্রি। শুপ্নগী চার্টর (নন সেদ্যুল) ওইনা ইন্টরনেসনেল সর্ভিস ফ্লাইট ৯ খক সর্ভিস তৌখিবদি লৈখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল এয়পোর্টতগী ইন্টরনেসনলগী সেদ্যুল ফ্লাইট পায়গে হায়রগদি এয়র সর্ভিস এগ্রিমেন্ট অমা ইনবগী মথৌ তাই। হায়রিবা এগ্রিমেন্ট অদু লৈতবনা ঙসি ফাওবদা ইম্ফাল এয়রপোর্টকী ওইনা ইন্টরনেসনেলগী সর্ভিস লৈতবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। অদুবু লাইবক ফবদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি টুরিজম দিপার্টমেন্টনা এগ্রিমেন্টগী চে-চাংশিং শেমদোক শাজিন তৌদুনা সেদ্যুল ওইনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ইন্টরনেসনেল ফ্লাইটকী খুদোংচাবা লৈনবা কন্না হোৎনরি। মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ম্যান্মারদা বেজ তৌবা এয়র কে বি জেৎকা এম ও অমা ইনদুনা ইম্ফালদগী সেদ্যুল ওইবা ফ্লাইট পায়বা ঙম্নবা চীফ মিনিষ্টরনা মতেং পাংবিদুনা হোৎনখিবনি অদুবু সেদ্যুল ফ্লাইট পর্মিসন ফঙদবনা চার্টর (নন সেদ্যুল) ওইনা ইম্ফাল দগী মন্দলেগী ফ্লাইট ২৩ নবেম্বরদগী হৌরগনি হায়রি। হায়রিবা ইম্ফালদগী মন্দলেগী ফ্লাইট সর্ভিস অসি য়ূমশকৈশা অমদি থাংজা নুমীৎতা পায়গনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সেন্টরদা থাজবা থল্লি হায়রগদি...

লামায় ১গী মখা... সেন্টরগী লুচিংবশিংনা হায়রকপা ৱাফমদা থাজবা থল্লি হায়রগদি মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা হিরম অমত্তদা শোকহল্লোই হায়না ষ্টেট লৈঙাক্লা থৌদাং পুবীয়ু। মণিপুরগী বাউন্দরিদা শোক্ত্রগাসু এদমিনিষ্ট্রেসনদা তোখায়বা লাক্কদ্রা হায়না মীপায়বা পোক্লরি। ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা সেন্টরদা থাজবা থল্লি হায়দুনা অদুম্মক লৈথোক্লি। হিরম অমত্তদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তমদা শোকহল্লোই, মদুগী থৌদাং লৌগে হায়না লৈঙাকসিনা লাউথোকপীয়ু। ওইরক্লিবা ফীভমসি তরাইনা লৌবা চুল্লোই। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিগী লুচিংবশিং অসি হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিগী লুচিংবা কয়াদি ওইদবা ঙাংই। মণিপুরদা এন পি এফকা চৎমিন্নরোই হায়বা ৱাফম মীখল মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু ষ্টেটসিদা এন পি এফকা পুল্লগা লৈঙাক শেমখি। ওইদবা ঙাংবা থৌওং কয়া লৈখ্রবনি। মীখল মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম থবক ওইনা ওল্লোকখিদে। বি জে পি লৈঙাক লাক্পদগী হিরম কয়াদা শোত্থরে। চাউখৎ থৌরাংগী লমদসু মনিং হল্লে। হৌজিক করম্বা দিপার্টমেন্টতা ৱার্ক প্রোগ্রাম ফোঙবা ঙল্লিবগে হায়বা ৱাহং লাক্লি। তেল্লীসনা স্কুল লৈরম্বা মফমসিদা কৈথেল শাগৎপা হৌরমখিবদু হৌজিক লেপ্পুনা লৈখ্রে। বি জে পি লৈঙাক লাক্লবা মতুংদা চাউখৎ থৌরাংদা মনিং হল্লে হায়রি।

ষ্টেটসিদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা এসেম্ব্লীদা ৱারেপ লৌসি হায়বদা য়াদ্রিবসি করিগীনো। মণিপুরগী লুরবা তানফম অসিদা চপ চাবা ফিরেপ লৌহৌদ্রবদি অৱাবা ফীভম কয়া মায়োক্নরক্লগনি। সেন্টরদা থাজবা থল্লি হায়দুনা অসুম্মক লৈগদৌরিব্রা। সী এ বিসু লাক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পুথোরক্তুনা পাস তৌখিবা য়াবগী ফীভমদা লাক্লি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমদি সী এ বিগী ইস্যু অসি য়াম্না অচৌবা ইস্যু ঙাক্তনি। অসিগুম্বা অচৌবা ইস্যু কয়া লৈরিঙৈ তানফম অসিদা লৈঙাকসিনা সঙাই ফেষ্টিভেল তৌগনি হায়না থৌরাংলি। সঙাই ফেষ্টিভেলদা মপান লৈবাক্তগী লাক্কদৌরিবা মীওইশিংগী মমাঙদা মণিপুরগী ঈরাং লৈবা মান্দনবা ঈং-তপ্পা লৈসি হায়নসু সী এমনা ফোঙদোকই। মালেমগী মীয়ামদা মণিপুরগী অৱাবসি খঙহনগদবনি। মণিপুরগুম্বা অপীকপা লমদম অমগী মীয়াম্না হৌজিক তংদু-লৈতাদনা লৈরি হায়বসি খঙহনগদবনি। সী এ বিনা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং মাঙহল্লকপা য়াবগী অকিবা চাউনা লৈরিবা অমদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী চরাংনবা কয়া অসিগী মরক্তা মতৌ করম্না ঈংনা তপ্পা লৈগদৌরিবনো। মীয়ামনা হৌজিক মীপায়নবা কয়া পোক্তুনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লৈরিবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস):

মোইরাংখোমদা লৈবা আর কে কিরন (৭০) কৌবা মীওই অমগী য়ুম মৈ চাকখ্রে। মৈ চাকপগী থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা থোকখিবনি। য়ূমগী অহানবা ফ্লোরদা য়ুম শাবদা শীজিন্নবা পোৎ-চৈশিং পৈদুনা থম্বা মফমদা মৈ অদু চাকখৎলকখিবনি। খূদক্তা ফায়র বৃগেদকী টিম লাক্তুনা মৈ অদু মুথৎখিবনা কা হেন্না অমাঙ-অতাদি থোকহৌদ্রে হায়রি।

দিস্পোজ তৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস):

পাৎশোই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কৈথেলমানবী পুলিস আউট পোষ্টকী মনাক্তা লৈবা কম্যুনিটি হোল অমদা থা অসিগী ৬কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৪৮ লোম তাবা মতমদা নন-মণিপুরী মানবা অমা শিদুনা লৈরম্বদগী পুলিসনা লৌখৎলগা মশক খঙদোক্লবা রিমস হোস্পিটালগী মোর্গতা থম্লম্বদু মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। লৈখিদ্রবা মীওই অসি থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা রিমসকী মোর্গতা কনাগুম্বশিংনা ক্লেম তৌরদ্রগদি থা অসিগী ১৫গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা দিস্পোজ তৌরগনি হায়না পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ওর্সোনজিৎ হাৎখিবগী সী বি আইগী কেস ক্রিমিনেল কোর্টতা কম্মিট...

লামায় ১গী মখা... সী বি আইনা কেস লৌখৎখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা সী বি আইনা মমাংগী কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ৩০ অমসুং জুলাই ৩১দা থেংখাং অনীরক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসকী নম্বরশিংনা আর সী- ১৬/ (এস)/ ২০১৮/ এস সী- ৩/ ন্যু দিল্লি অন্দর সেক্সন- ৩০৭ আই পি সী অমসুং ২৫ (১-সী) আর্মস এক্ট অমদি আর সী/ দি এস টি/ ২০১৮/ এস/ ০০৩৩ অন্দর সেক্সন ৩০২/ ৩৪ আই পি সীনি।

সী বি আইনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরগা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা চার্জশীট থাগৎলকখিবনি। কোর্ট অসিনা চার্জশীটতা য়াওরকপা এক্যুজ ৫গী মথক্তা কোগনাইজেন্স লৌরগা সম্মন এক্যুজ ৫মক সেপ্টেম্বর ২৭তা কোর্টতা সরেন্দর তৌরক্লগা বেল পীখিবনি। অদুবু কেস অসি ঙরাং ত্রাইয়লগীদমক সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা কম্মিট তৌরক্লে হায়রি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিদা এক্যুজ ওইরিবা কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা হবিল্দার লাইশ্রম প্রেমকুমার, হেদ কন্সটেবল সোমেন্দ্র (দ্রাইভর), হবিল্দার এল রোমেশ অমসুং কন্সটেবলশিংদা এম দি ইবোমচা অমদি অখুপ লুথরনি।

শ্যের এন্দ ক্যেরগী সোসাইটি ওফিস...

লামায় ১গী মখা... অসিগী পান্দমদি লমদম অসিদা ফিরোলগী তঙাইফদনা য়াম্না মথৌ তারবা মীওইশিংদা ফিরোল ফংহনবনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংনা অরিবা ফিরোলশিং সোসাইটি ওফিস অসিদা লাক্তুনা দোনেট তৌবিরবা য়াগনি। মীয়াম্না দোনেট তৌবিরল্লবা অরিবা ফিরোলশিং অদু ফিরোলশিংগী য়াম্না মথৌ তারিবা মীওইশিংদা য়েন্থোক্কনি হায়রি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা রেদিয়ন্ট গ্রুপকী এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসর লোংজম লুপেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না নৌনা হাংদোকখ্রিবা ওফিস অদুদা থাগী অহানবা নোংমাইজিং খুদিংদা ওফিস অৱর মতমদা মণিপুরগী মীয়াম্না লাক্তুনা অরিবা ফিরোলশিং দোনেট তৌবিরবা য়াগনি। লোয়ননা মীয়াম্না দোনেট তৌবিরল্লবা ফিরোলশিং অদু থাগী অরোইবা নোংমাইজিং খুদিংগী সোসাইটি অসিগী মেম্বরশিংনা তঙাইফদনা ফিরোলশিংগী মথৌ তারবা মীওইশিং খঙদোক্লবা মতুং মখোয়গী য়ূমদা চৎতুনা য়েন্থোক্কনি। নত্রগা সোসাইটিঅসিগা পার্টনর ওইরিবা লোকেল এন জি ও শিংনা হায়রিবা মীওইশিং অসিগী য়ূমদা চৎতুনা য়েন্থোক্কনি হায়রি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মীয়ামগী অচৌবা মতেং অমা পাংগে খন্দুনা গ্রুপ অসিগী নৌনা হৌগদৌরিবা থবক-থৌরমশিং অসিদা লমদম অসিগী ফুরুপ খুদিংনা শরুক য়াবিবগা লোয়ননা সোসাইটি ওফিসতা লেংবিরক্তুনা অরিবা ফিরোলশিং দোনেট তৌবিদুনা ফিরোলশিংগী তঙাইফদনা মথৌ তারবা মীওইশিংদা ফিরোল ফংহন্দুনা মীয়ামগী মতেং পাংবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নোংমদা ফনেক মপান নাইবা তরুক, সদা ১০ শাবা ঙম্বা...

লামায় ১গী মখা... মাঘানা হায়খি, হৌখিবা কুমজা ২০০৬তগী হৌনা চহী ১২ রোম চুপ্না য়ুম শাবা অমদি উপু-কাংথোলনচিংবা চন্দুনা শেল তাল্লম্মী। মদুগী মতুংদা হৌখিবা কুমজা ২০১৮দগী হৌনা পাৱর লূম শাবগী থবক অসি পায়খৎপা হৌরকখি। থবক অসি পায়খৎপা হৌরকপা মতমদা শেল লৈতবদগী মচলনুপী থোকপা তেন্বী কৌবী অমদগী লুপা লিশিং ২০ লৌরগা মচাক-মথুম লৈরগা পাৱর লূম শাবা হৌরকখিবনি। পাৱর লূম অসি শানবা হোৎনবদা য়ু ট্যুবনচিংবদা য়েংলগা অহিং কয়া তুমদনা-চাদনা ৱাখল খল্লবা মতুংদা হৌজিক্তি পাৱর লূমগী মোদেল অহুম পুথোক্তুনা মীয়ামদা ফংহনবা হৌখ্রে।

অহানবদা পাৱর লূম খূৎনেট য়াওবী উগী অমা শারগা পুথোকখি। মদুনা পাৱর লূম অমদা লুপা ৪৫,০০০ দা য়োনখি। অনীশুবদনা য়োৎ অমদি উনা পাৱর লূম খূৎনেট য়াওদবী অমুক শারগা পুথোকখি। মদুনা পাৱর লূম অমদা লুপা ৫৫,০০০ রোমদা য়োনখি। অকোনবগী অসিনা য়োৎ ঙাক্তনা শাবা পাৱর লূমনি। অকোনবগী য়োৎ খক্তনা শাবা পাৱর লূম অসিনা লুপা ৮৫,০০০দা য়োল্লি। অদুগা কম্পনিগী বিয়ারিং ওরিজিনেল ওইরগা লুপা ৯০,০০০ দা য়োল্লি হায়রি।

য়াম্বেম মাঘানা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা পাৱর হেন্দলূম ৩০ রোম শাদুনা য়োনখ্রে। মণিপুর খক নৎতনা ওরিষাদগী ফাওবা মী লাক্তুনা পাৱর লূম অসি লৈখ্রে। মফম অসিদগী সেট ওইনা য়োমদুনা পুরগা ওরিষাদা মখোয়গী মী থারগা এসেম্বল তৌই হায়রি।

হৌজিক ওনলাইনদা কেরলা অমদি টামিল নাদুনচিংবা ষ্টেটতগী পাৱর লূম অসি য়াম্না ওর্দর লাকই। অদুবু শেনফম মতীক চানা লৈতবনা ওর্দর হান্না পীরগা শাবা নৎতনা অহেনবা শারগা থম্বা ঙমদ্রি। মথংদদি পাৱর লূম ময়েক থোকপী (জেকাপ) পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি। পাৱর লূম অমা শাবদা নুমীৎ ২৫নিদগী থা অমা ফাওবা চঙই।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, হান্না ফর্নিচর তৌরিঙৈদা লুপা লাখ অহুমলোম তপ্পা-তপ্পা পুথরকপদগী থবক অদু তোক্লগা পাৱর লূম শাবগী থবক অসি পায়খৎলকখিবনি। উপু-কাংথোল চনবদা থা অমদা লুপা লিশিং ২৫দগী ৩০ ফাওবা শেন্দোং ফংবা ঙম্মী। অদুগা পাৱর লূম শাবনা থা অমদা লুপা লিশিং ৩০/৪০ রোমদি শেন্দোং ফংবা ঙম্মী। নোংমদা পাৱর লূম অমনা অয়ূক পুং ৫.৩০ দগী নুমিদাংগী পুং ৯ ফাওবা মোটোর মেছিন ঙাইহাক পোথারগা ফনেক ময়েক নাইবী তরুকলোম শাবা ঙম্মী। অদুগা সদা শাবদনা নোংমদা ফনেক ১০ রোমদি য়াম্না লায়না শাবা ঙম্মী। মৈসু কা হেন্না চাদে।

পাৱর লূম শাবগী রো-মেটেরিয়ল অসি ইম্ফালদা অদুম ফংই। করিগুম্বা মতমদা পার্ট খরা ফংলক্তবা য়াওরবসু মপান্দগী চেল্লি। মণিপুরগী মপান লমদা অখন্নবা পাৱর লূম অমা শারগা য়োনবদা লুপা লাখ ১.৩০ দগী লুপা লাখ ১.৪০ ফাওবা ফংই। পাৱর লূম শাবদা খ্বাইদগী খূৎ চঙবা অমদি লুরিবসি য়োৎকী পাং শাবনি। খিত্তু ফাওবা পৈবা য়াদবনা পাংখক শেন্বদা নুমীৎ হুম্নি নৎত্রগা চয়োল অমা ফাওবা চঙবসু য়াওই।

লংচাক চাক্লবা মোটোর পানবা তরেং অমদি মশা শাখ্রে। ফি হৌনবা দরমনচিংবা অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা থবক পায়খৎনবা থৌরাংসু তৌরি। লৈকাইদা করিগুম্বা উগী য়োংখম পাং য়ারক্তবা মতমদা মহাক্লা শেন্মী হায়রি। মহাক্কী ফার্ম অসি এম/এস মাঘা ফর্নিচর হায়না মমিং থোল্লি। হৌজিক ফাওবদা মহাক বেঙ্কনচিংবদগী লোন অমত্তা লৌবা লৈতে। মণিপুর লৈঙাক্তগীসু গ্রান্টনচিংবা য়াওবা লোন অমত্তা লৌবা লৈতে। লৌনবগী চেনবীনবা মীসু লৈতে হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা উগী কোনদা ফনেক ময়েক নাইবা শারগা পুথোকপা মাঘানা অহানবনি। হৌজিক মহাক্লা পায়খৎলিবা পাৱর লূম শাবগী থবক্তা মচানুপা অনী য়াওনা মখোয় মরিনা থবক শূবনি। অদুবু মী ১০ মুক শূরগদি থবক অসি খুমাঙ চাওশিনবগা লোয়ননা পাৱর লূমসু হেন্না শারগা পুথোকপা ঙমগনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা গ্রান্ট য়াওবা লোন অমত্তু পীবিরগদি মহাক্কী পুম্নমক মায় পাকপা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

চেকশিন মীফম, মৈরা খোঙচৎ লেপ্পুনা চথরি...

লামায় ১গী মখা... শোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীরকখি। সী এমনা হন্দক চৎলুবা অদুদি বি জে পিগী ওইনা চৎপনিনা য়াওখিদ্রে। অদুবু স্পিকর অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা হংবদা মণিপুর শোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি। ৱারোইশিন পুরক্লিঙৈদা মণিপুর লৈঙাক খঙহল্লক্কনি হায়রি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থাজনদবা, মুক্লবা ফীভম লৈহল্লোই। তহা-তহাবা ফৎতে। অইবা পীয়ু হায়বসি ঐখোয়না পীবা ঙম্বা নত্তে। মীয়াম্না নুংনাংবা পোক্লিবদু ঐখোয়সু খঙই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সগোলবন্দ কন্সটিট্যুয়ন্সি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি নুমিদাং সগোলবন্দদসু মশীং য়াম্লবা নুপা অমদি নুপীশিংনা মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে। মৈরা খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা সগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ, আর কে ইমোনা ফোঙদোকখিবদা, নাগা পিছ একোর্দতা করি-করি ৱাফম য়াওরি হায়বদু মীয়ামদা শেংনা খঙহনবীয়ু। পিছ একোর্দ অসিদা করি-করি য়াওরি হায়বা ৱাফম অসি মণিপুরগী মীয়াম অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংদা খঙহনবীদুনা মীয়ামদা মিপাইবা পোক্লিবা অসি কোকহনগদবনি। ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী শক্তম কায়গদবা ৱাফম অমত্তা য়াওহল্লোইদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। মৈরা খোঙচৎ অদুদা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর হায়বনচিংবা খোল্লাউশিংসু লাউখি।

অমরোমদা, কোকোমিগী খোঙজং মনুং চন্না পলেমনা শীন্দুনা নোংপোক হৈরোক কৈথেলদা ৱাকৎ মীফমগা লোয়ননা খোল্লাও কয়া লাউখি। নোংপোক হৈরোক অপূনবা মৈরা পায়বী অমদি থয়োং ৱিমেন সোসাইটিনা চেকশিন মীফম পাঙথোকখি। মীফম অদুদা অম্মোভাগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানিনা হায়খি, পিছ টোক্কী ৱারোইশিন পুরকপদা ৱাকাই পুরক্কনু, কাঙলুপকী ওইবা তোঙানবা এদমিনিষ্টেসন লৈহনবা য়ারোই। মণিপরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, মণিপুরগী ঙমখৈ শোকপা য়ারোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মীফমদুদা পোইরৈ লৈমরোলগী প্রসিদেন্ট ইমা মেমচৌবী, থয়োং খুলগী খুল্লাকপা বলাস্থাং অমদি পলেমগী এদভাইজর এম বিমোলাতানচিংবা কয়ানা ৱাঙাংলোয় ওইখি।

নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই। মণিপুরগী টেরিতোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি কায়বা য়ারোই। মণিপুরদা ওতোনোমস কাউন্সিল শেম্বা য়ারোই হায়দুনা লালাম্লুংগী অকোয়বদসু মীয়াম্না মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে। লালাম্লুং মখোঙ নিশাবন্দ মৈরা পায়পী অমদি এল এম ৱাই ভি এনা শিন্দুনা নাগা পিছ একোর্দনা যুল্লোন্নবা ষ্টেটকী অপুনবগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা লালাম্লুং রিমস রোদ এরিয়াদা চেকশিন মৈরা রেল্লি চৎখি।

ওল লিলোং চজিং ক্লব অমদি লিলোং চজিং অপুনবা মৈরা পায়বী লূপ্না শিন্দুনা লিলোং কৈথেলদা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা চেকশিন মীফম ফমখি। ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি লিলোং, এন্টি সোসল প্রিভেন্সন ওর্গনাইজেসন লিলোং, চিংখম কবুই ৱিমেন সোসাইটি অমসুং চাউবোক কবুই ৱিমেন সোসাইটিনা পূন্না শিল্লগা উসোইপোকপী কৈথেলদা লৈবা এ এম এম দি সীগী মমাংদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা চেকশিন মীফম ফমখি।

কংলা সিফাই খুরাই, পাইয়নিয়র একাদেমি বামোন কম্পু, মিল্লেনিয়ম স্কুল, এক্সত্রা এদজ, এস দি জে এম, এম বি এম, শিশু, ঐচ আর দিনচিংবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিং লন্বীদা থোরক্তুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

তোঙান-তোঙানবা মফম হায়বদি ৱাহেংলৈকায়, কাঙবম লৈকায়, লৈমরোল য়াইফা লমজিং লুপ, হৈনৌবোক য়ং ষ্টার, দি সী ভি পি ক্লব হৈনৌবোক, হৈনৌবোক লোয়ালাকপা যুথ ক্লব, ৱারোইচীং যুথ দিভলপমেন্ট ক্লব, ৱারোইচীং লৈমরাম হৈনৌবোক মৈরা পায়বী অপুনবা, লৈমরাম শান্তি কৈথেলনচিংবদা মীয়াম্না চেকশিন মীফম ফমদুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়দনবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি নাগা লালহৌলূপশিংগী মরক্তা চথরকখিবা পিছ টোক অসিগী মনুংদা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোইশিনগী মতাংদা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা খঙহন্দনা থল্লিবা অসিগী মতাংদা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা মশাগী ফিরেপ মীয়ামদা খঙহল্লু অমদি অথুবা মতমদা এসেমব্লি মীফম কৌ হায়দুনা য়াইরিপোক্কী অকোয়বদা লৈবা স্কুলশিংগী মশীং য়াম্লবা মহৈরোয়শিং অমদি এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী থৌমীশিংনা ৱাংখেম এ সীগী এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রগী য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা য়ূমদা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৪৫ রোম তাবদা থোমজিনখ্রে।

মহৈরোয়শিং অদুনা এম এল এ উননবা হোৎনবদা এম এল এ মশা য়ূমদা লৈরমদবদগী এম এল এগী পি আর ওগা ৱারী শানদুনা মহৈরোয়শিং অদুনা মখোয়গী ৱাকৎশিং থমখি। এম এল এগী পি আর ওনা মহৈরোয়শিংগী ৱাকৎ অদু পূক্লিং চঙনা তাবগা লোয়ননা এম এল এদা শুংশোয় শোয়দনা মহৈরোয়শিংগী অপাম্বশিং অদু খঙহনগনি হায়বগী থাজবা পীখি। এম এল এগী য়ূমদা থোমজিন্দ্রিঙৈগী মাংওইননা মহৈরোয়শিং অদুনা য়াইরিপোক্কী অকোয়বদা রেল্লি চৎখি। লোং লিভ মণিপুর, মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়াসু রেল্লি অদুদা লাউখি।

অমরোমদা, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোং কাংজৈবুংদা উপাকো, মণিপুর অমসুং লাংমৈদোংগী এরিয়াদা লৈবা স্কুলশিং খূৎশম্নদুনা ইন্দিয়া শেমদ্রিঙৈদা মনিং মখা তন্না লৈরম্বা মণিপুরগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়না মহৈরোয়শিংনা মণিপুর মেপ শেমদুনা অমদি লোং লিভ মণিপুর হায়না ইদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

নুমিদাংগী মতমদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (কাদুকো)না শীন্দুনা লাংমৈদোং এরিয়াদা মৈরাগী খোঙচৎ চৎতুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগায়বা য়ারোই, এম এল এ ৬০ দিল্লি চৎলু, ইন্দিয়ানা কাঙলূপ-ফুরুপ নাইবা থৌশিল তৌবা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি হায়রি।

মোইরাংদনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা ঈ রিক্সো কাংবুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোইরাং এরিয়া অমদি তোঙান-তোঙানবদা মফমদা ঈ রিক্সোগী চেকশিন রেল্লি চৎখ্রে। ঈ রিক্সোগী রেল্লি অদু মোইরাং চীংখৈ লম্পাক্তগী খোঙশাল্লগা শেন্দ্রা ফাওবা চৎখি। মদুদগী হল্লক্লগা কুম্বী লন্বীদা লাক্লগা মোইরাং খুনৌ ফাওবা চৎখি। মোইরাং খুনৌ শ্রীবোন ফাওবা চৎখি। মফম অদুদগী হল্লক্লগা মোইরাং খুনৌ শ্রীবোন, মোইরাং লমখায় ফাওদুনা চুরাচান্দপুর মায়কৈরোমদা লাক্লগা সেন্ট জেভিয়র স্কুলদগী অমুক হল্লক্লগা বিষ্ণুপুর তন্না লাকখি। অদুগা ঙাংখা মপাদগী হল্লক্লগা হান্নগী মফমদা অমুক থুংখি। ঙসি ঈ রিক্সোগী চেকশিন রেল্লি অদুদা গাড়ি ১০০ রোম্না শরুক য়াখি।

অমরোমদা, নিংথৌখোং ঈ-রিক্সো কো-ওপরেটিভ লিমিটেদ অমসুং নিংথৌখোং টু লোক্তাক প্রোজেক্ট ওটো আর ঈ ওনর এসোসিএসননা পূন্না শীন্দুনা নিংথৌখোং অমসুং মসিগী অকোয়বা মফমশিংদসু চেকশিন রেল্লি চৎখি। নাচৌদসু বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেসকী তোঙান-তোঙানবা কম্মিটিশিং অমসুং নাচৌ অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা চেকশিন মীফম ফমখিবগা লোয়ননা টিদ্দিম লন্বীদা থোরক্লগা হ্যুমেন চেন শেমদুনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি।